থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ২০১৯ ইলেক্সনগী থাক- ২

ইলেক্সন হায়বসি কনাগুম্বনদি ‘লানফম’ (বেট্টল) অমগুম্বনিসু হায়নৈ। অদুনা, মীরেপ ওইনা চোংথোরক্লিবা কেন্দিদেটশিং অদুনা অঙম্বা পাঙ্গল- শক্তি- জ্ঞান-শেল পুথোক্তুনা লানঙম ফিরাল থেৎনবা (মায় পাকপা মীহুৎ ওইনবা) হোৎননৈ। ভোট্টরশিংবু পীজ-পীথক তৌদুনা/ খূদোলপোৎ পীদুনা পেলহন্নবা, নুংঙাইহন্নবা হোৎনরগা ভোট ফংনবা হোৎনবগী চৎনবী অমা মতম শাংনা লৈরম্লগা, হৌজিক্তি, ভোট অমগী মমল লুপা ৫০০/১০০০/২০০০দা লেপথোক্লরগা লৈবগী চৎনবীরোমদা ওন্থনরক্লে। শেল চাউনা চাবা ওফিসর, আকাস




বিল কায়বা হৈবা অচৌবা থীকাদারশিং- ৱানা শেল তানদৌ’শরুক এম এল এ/মিনিষ্টর ওইবনা শেল থুনা পায়নবগী খ্বাইদই লায়বা পান্থেনি খন্নরক-‘মানা লীশিং অনীদা ভোট লৈরগা কাখ্রবদি ঐনা মঙা য়েল্লদি ঐনা কাফম থোক্তবরা’ খন্দুননি পোলিটিক্স’তা মায় ওনশিন্নরক্লিবা। অসুম্না লৈখা তারক্লিবা ইন্দিয়ন পোলিটিক্সকী ৱারনি ঙরাংদগী ঐহাক্না থম্মোয় শোক্না তন্নক্লিবা। এসেমব্লি ইলেক্সন’না লৈখা তারবসু লোক সভা (পার্লিয়ামেন্টরি) ইলেক্সন ফাওবদি খরমখৈ চুম্না তৌবা ফবরা, তৌনরমগদ্রা খল্লুবনি। অদুবু খঙলে ঙসি- দেমোক্রেসি হায়বা লৈঙাক পথাপ অদু চৎনহন্নবগীদমক মতীক চারবা লৈপাক অমা হায়বদু ওইদ্রি ঙসি ‘ইন্দিয়া’। ঐখোয়না খনগদৌরিবা মীহুৎ অদু ‘মাগী লম্বা ওইরিবা মীরেপ অদুবু হুন্দুনা ঙাঙবা হৈবা, মচীন থীবা মীশক অদু নত্তে, ঐখোয়গী অৱাবা/খূদোংচাদবা মশক নীংথিনা খঙবীবা মীশক অদুনিক্ষ’- হায়বা ঐখোয় ইশা খঙজদ্রি। ‘অতোপ্পগী অশোনবা পুথোক্তুনা ঙাঙবা হৈবদু অকনবনি’ খন্নরি।

লৌউ-শিংউনা মরু ওইবা শিনফম ওইদুনা হৌরকপা ইন্দিয়নশিং ঙসিসু শিনফম অসিগী মহুৎ শিন্নবা অতোপ্পা শিনফম অমা কনানসু পীবা ঙম্লোই, হয়েংসু। করিগীনো ঙসি লৌমীশিংনা মশা মথন্তা শিজনবা ফিরেপ লৌরক্লিবা? ‘থবক ফংদবগী সমস্যা কোকহনগনি’-ইলেক্সন খূদিংমক্তা লৈঙাকপশিংনা ৱাশকখি। অনৌবা থবক তৌনবগী/পীনবগী খূদোংচাবা শেমগৎপগী মহুৎতা হান্না তৌরম্বা থবক অদু তোকপগী/তোকহনবগী চাং খ্বাইদই ৱাংবা লমদমদু ‘ইন্দিয়া’ ওইরে হায়বসি ভোটর ঐখোয়না খঙলগা, মীরেপ ওইরিবা পোলিটিসিয়নশিংনদি খঙদ্রিবা করিগী? সহর-খুঙ্গং অনীমক্তা এয়র পোল্যুসন (অমোৎপা নুংশিৎ)গী চাংদসু ইন্দিয়ানা মালেমদা মকোক্লি হায়বসিবু ঐখোয়না মখোয়দা তাক্কদবরা? চাবা ফংদবা/ লায়রবা মীয়ামগী মীশিংসু হান্নদগী লেপ্পুনা হেনগৎপা, খূজোক অমখক ওইবা ইনাক খুনবা (সুপর রিচ) কাঙবুদুগী মরলসু হেন্না হেন্না হেনগৎলিবা অসিগুম্বা ইলেক্সনগী মতমসিদা শান্নরিবা লীলাসি হেন্না খূদোং চাহন্নবনি। লেপ্পুনা হেনগৎলক্লিবা মীগী মশীং হেনগৎপা থিংবা ঙমদবা... হেনগৎলক্লিবা মীয়াম মরকসিগী মরক্তা নুংশিনদবই চাংসু অঙকপা ফংনা হেনগৎলকপা... নুপী-অঙাংশিংগী মথক্তা চথুরিবা মীওৎ-মীনৈসু হেনগৎপা... চীঙ্গাক পুথোকপই চাংসু হান্নদগী শরুক কয়া হেনগৎলগা চাবা ফংদবা মীগী মশীংসু লেপ্পা লৈতা হেনগৎপা... অঙকপা ইস্যু ময়ামসি পোলিটিসিয়নশিংগী কেম্পেন মীটিংদা অমত্তা পন্নখিদবা করিগীনো? অঙকপনি ইন্দিয়া!

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি’না ‘সিল্লিগুরি’গী কেম্পেন মীটিংদা বঙ্গালগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিবু চাওখৎপগী লম্বীদা মফম চাদনা থম্লম্বা ‘স্পীদ ব্রিকর’ অমনি হায়না শীংথাখি। ‘স্পীদ ব্রিকর’ অসিবু লৌথোক্লুবা, নোংচুপ বেঙ্গলদা চাওখৎপা পুরক্কনি ৱাশকখি। নুমীৎতুগী মতুং খরা লৈরগা, ‘কুচ বিহার’গী অতোপ্পা মীফম অমদা ‘মমতা’না ‘মোদি’বু ‘এক্সপ্যারি-বাবু’ (মতম হেল্লবা, শীজিন্নবা য়াদ্রবা বাবু) অমনি হায়না শৈথাখি।

কনানা কদায়দা কনাগী মরমদা করি হায়খিবা? পাউ অদু ঙসিদি কনানসু তানীংলরোই। হয়েংনি, প্রাইম মিনিষ্টরগী মরায়বক য়াওনা, লীদর কয়াগী চহী মঙাগী পোলিটিকেল ফ্যুচর লেপকদৌরিবা ২০১৯- লোক সভা ইলেক্সনগী তরেৎশুবা অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদৌরিবা। হৌজিক্তি ভোট খোম্বগী, অশীংবা ভোটরশিংদা অপঙবা মীরেপ’না পঙথহন্নবা হোৎনবগী মতম লোইখরে। অরোইবা ফিরেপ লৌনরম্লগনি।

২০১৪গী ইলেক্সন! অমদি ২০১৯-ইলেক্সন! অনীগী খেন্নবা করি ওইরক্কদগে হায়বদুদি মে ২৩গী মতুংদতা খঙগদবনি। অদুবু, ঙরাংতা লোইশিনখিবা কেম্পেন তৌবগী মওং মতৌ অদু নীংশিংলুরগা পূক্লিংসিনা ৱাখল অমদি খনহল্লকই- নীংতম্বা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনশিংদা রেকোর্দ ওইবা খ্বাইদগী তাবা সিট মশীং ৪৪ খক ফংখিবদুনা কোংগ্রেসকী ইমুং-মনুংনা গান্ধীগী ইমুং-মনুংসিগী পোলিটিকেল ইমেজ ফন ফজনা ৱাংখৎহল্লে। প্রিয়াঙ্কা গান্ধী পুশিল্লকপা-মতাং চাবা খোঙথাং ওইনা থোকখিবগুম খন্নে।

অদুগা অমরোমদা, ২০১৪ দা সিট ২৮২ ফংখিবা বি জে পিগী খাম্বা ঙমদনা থৌরকখিবা ‘লৈঙাক-দোলাই’গী নিংথৌরেল-থোঙশঙবা অনীমক পূল্লবা মোদি, কনাগীসু মৱা লৌদনা, ঙাঙনীংবা ঙাঙলম্বদু ইলেক্সন নকশিন নকশিল্লক্লগা মবুদ্ধি-মরৌশিং চোইরকপা, নর্ভস চৎপগুম অমা তৌরকখিবরা? মালেম শীন্না কোয়দুনা, মানা ঙাঙবা তানবগীদমক লাংতক্কহল্লম্বা, মায় পাক্লবা ৱাঙাঙলোয়দু মমৈদদি ঙাঙলোইদবা কয়া ঙাঙথোকপনচিংবা তৌহৈদবা খরদি তৌখ্রমাল্লে। অদুননি, ৱাফম থোক্তনা ৱারিবা।

লৌশিং পুক্কে

# ব্রেনগী ফীভম ফনা লৈহন্নবগীদমক অতেকপা মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই

পাওন্দ অহুমলোম লুম্বা মীওইবগী ব্রেনদা চাওরাক্না ন্যুরোন বিলিয়ন ১০০ রোম য়াওই। মসিনা সিনেপসেস ট্রিলিয়ন কয়াগা শম্নদুনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংগা পাউ ফাওনৈ। মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা অহোংবা থোক্লিবা অতৈ অতোপ্পা কয়াৎশিংদগী ব্রেননা হেল্লি।



অঙাং অমনা মমাগী পূক্লংদা লৈরিঙৈদা চয়োল অহুম হেক ফারকপদগী ব্রেন শেমগৎলকই। তাইবংদা খোঙদারক্লবা মতুংদা চহী খরগী মনুংদা সেকেন্দ খুদিংগী অনৌবা ন্যুরেল কনেক্সন মিলিয়ন ১ হেন্না শেমগৎলকই। স্কুল কারমদাই চহী মতাং য়ৌরকপদা ব্রেন চাউবগী চাং শরুক মরিরোম হেনগৎলকই। মশাগী চহী ৬ শুরকপা মতমদদি অহল অমগা চাং হাইরকপ মান্নবা ব্রেনগী চাউবা হেনগৎলকই।

ৱাখল খনবা অমসুং নীংশিংবগী থবক তৌবদা শীজিন্নরিবা ব্রেনগী ফ্রন্ট্রেল লোব হায়না খঙনবা শরুক অদুনা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না মপুং মরৈ ফারকই। কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী চহী ৩৫ মপুং ফাদ্রিবফাওবা ফ্রন্টেল লোব মপুং ফানা শেমগৎলক্তবা য়াওই।

চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না হকচাংগী কয়াৎ পুম্নমক তপ্না তপ্না মথৌ হন্থরকই। ব্রেননা মথৌ তৌবা ঙম্বগী চাংসু অসুম অসুম হন্থরকই। অহল ওইশিল্লকপগা ইরোয়ননা ব্রেনদা হোংলকপা অহোংবশিংদি ইনৌ নৌবা থবক অমা হৈনবা তম্বদা ৱানা থোকপা; মীগী মমিং নৎত্রগা তাং পাক হেক নীংশিংবা ঙমদবা অমসুং হায়নখিবা অরুবা থবক অমা ইরায় লায়না কাউথোকখিবা অসিনচিংবনি।

কেনাদাগী টোরোন্টোদা লৈবা বেক্রেস্ট হেল্থ সাইন্সেসকী রিপোর্টনা হায়, চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংগীদমক্তদি ম্যুজিকেল ইন্সট্রুমেন্ট মখল অমা তম্বগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। ম্যুজিকেল ইন্সট্রুমেন্ট অমা হৈনবা মতমদা ব্রেন ৱেভতা অহোংবা থোকহনবা মরম্না ৱাখল খনবা অমসুং তাবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙহন্দে। বেক্রেস্ট রোটমেন রিসার্চ ইনষ্টিট্যুটকী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট, ডা. বর্নহার্দ রোজনা হায়, ম্যুজিকেল ইন্সট্রুমেন্ট অমা হৈনবা তম্বদা হিয়ারিং, মোটোর অমসুং পর্সেপসন সিষ্টেমনচিংবা ব্রেনগী তোঙান তোঙানবা সিষ্টেমশিং পুন্না মথৌ তৌরকই। মদুনা মরম ওইরগা ব্রেনগী মতিক ময়াই হেনগৎহল্লি।

মীওইবনা চারিবা চীঙ্গাকসু য়াম্না মরুওই। যুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইগী পোষ্ট দোক্টরেল স্কোলর এনি ৱাকনা হায়, অহল ওইশিল্লকপগী মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক্তা অহোংবা কয়ামরুম থোরকই। কনাগুম্বা মীওই খরদদি চহী মতাংগা চান্নদবা মওংদা য়াম্না নৌনা অহোংবা থোরকপা য়াই। অতেকপা মনা-মশিংদা য়াওবা ল্যুটিন কৌবা মচল অমনা মীয়ায় চল্লবা মীওইশিংবু নহা অমগা চপ মান্নবা মওংদা ৱাখল খনবা ঙমহল্লি। মরম অদুনা ব্রেনগী ফীভম ফনা লৈহন্নবগীদমক অতেকপা মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই।

সেন্ট লুইদা লৈবা ৱাশিংতন যুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিননা লুচিংলগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চথুখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবা তারবদি চহী য়ামশিল্লক্লবসু ব্রেনগী ফীভম ফনা লৈহল্লি।

অমরোমদা, ন্যু য়োর্কতা লৈবা অলবর্ট আইনষ্টাইন কোলেজ ওফ মেদিসিনগী রিসার্চরশিংনা হায়, মীওইবনা মশাগী চহী ৬০ নৎত্রগা ৭০ শুরকপা মতমদা ব্রেনগী ফ্রন্টেল লোব অমসুং হিপোকেম্পস পীকশিল্লকই। ষ্টেম সেলগী মশিংসু হন্থরকই। মদুনা মরম ওইরগা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকপনি। ষ্টেম সেলশিংগী মশিং হন্থহন্দবা ঙম্লবদি চহী য়ামশিল্লকপগা মরী লৈননা ব্রেনগী মথৌ হন্থরকপসু থিংবা ঙমগনি। উচিগী ব্রেনদা হাইপোথেলামিক ষ্টেম সেল কাপশিন্দুনা চাংয়েং তৌবদা ব্রেনগী মতিক ময়াই হন্থহন্দবা ঙম্মী হায়বা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

কনাগুম্বা মীওই খরদি মশাগী চহী ৮০ হেল্লবসু মশা-মউ ফবা নহা অমগা চপ মান্নবা মওংদা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই মাঙদবা য়াওই। হিরম অসিগী মতাংদা নোর্থ ৱেষ্টর্ন যুনিভর্সিটি ফিনবর্গ স্কুল ওফ মেদিসিনগী রিসার্চরশিংনা হায়, মীপুম খুদিংমক চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরক্কনি হায়বা করিসু লৈতে। কনাগুম্বা মীওই খরদি ফনা য়াম্না চহী য়াল্লবসু নহা অমগা চপ মান্নবা মওংদা মশা-মউ ফবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙদনা লৈবা য়াওই। সুপর এজর হায়না খঙনবা মীওইশিং অসিগী মরমদা থিজিল্লগা সাইন্টিষ্টশিংনা মীপুম খুদিংমক চহী য়াল্লবসু মশা-মউ ফনা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙহন্দনবা পাম্বৈ পুথোকপা হোৎনরি।

নোর্থ ৱেষ্টর্ন যুনিভর্সিটি ফিনবর্গ স্কুল ওফ মেদিসিন্দা কোগনিটিভ ন্যুরোলোজি এন্দ অলঝাইমর’স দিজিজ সেন্টর (সী এন এ দি সী) গী এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইবা এমিলি রোগালস্কিনা হায়, মীয়ায় চল্লকপা মতমদা হকচাংগী অরুম্বা অমসুং অনোয়বা হেল্লবদি খোঙজেল য়াংনা ব্রেনগী মথৌ হন্থরকই। মরুওইনা ব্রেন পীকশিল্লক্তুনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই।

খুদোংচাদবা অসি ঙাকথোক্লবগীদমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা; ব্রেন শীজিন্নবা মখলগী থবক তৌবা; মরুপ-মপাং অমদি খুন্নাইগা তোৎন-তীন্নবা; য়ারিবমখৈ পূক্লিং-ৱাখল চরাংনহন্দবা; অফবা চীঙ্গাক চাবা অমসুং মপুং ফানা তূম্বা মথৌতাই।

জর্মনিদা লৈবা সেন্টর ফোর ন্যুরোদিজেনরেটিভ দিজিজেজগী রিপোর্টনা হায়, শান্নরোয় অমগী মতৌগুম হুমাং তানা চেন-চোংবমক নৎত্রগসু নুমীৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা মিনিট ৪৫ রোম হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌরবদি ব্রেনদা কান্নবা পী। ৱাখল খনবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙদে। চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংগীদমক্তদি এরোবিককুম্বা মখল অমগী জগোয় শাবা কান্নে।

# ইমপ্লোয়ীশিংনা খুৎশুমল হেনগৎপীয়ু হায়বসি চুম্মী, রেস্পোন্সিবিলিটিসু লৌফম থোকই : বিজয়

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):

ইমপ্লোয়ীশিংনা খুৎশুমল মতমগা চান্ননা হেনগৎপীয়ু হায়বসি অচুম্বা তৌফম থোকপনি, দিমান্দ তৌরবনিনা রেস্পোন্সিবিলিটিসু লৌফম থোকই হায়না ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট যুনিয়ন (অমজু)গী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনা ঙসি বাবুপারাদা পাঙথোকখিবা ব্লেক দে ওবজার্ভেসন ওফ ওল ষ্টেট ইমপ্লোয়ী এন্দ পেন্সনরগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সীল, জে এ সী ওফ ওল মণিপুর ট্রেদ যুনিয়ন কাউন্সীল অমদি ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা বিজয় ককচিংতাবমনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা পোৎকী মমল ঙমখৈ লৈতনা ৱাংখৎখ্রে। ইমপ্লোয়ীশিংগী খুৎশুমল মতম চানা হেনগৎপীয়ু হায়বসি হায়ফম থোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা মশা-মশাগী মথৌ ফজনা তৌদুনা মীয়ামগীদমক থৌদাং কয়া লৌহন্নিংই। লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজংসি হেক্তা চঙশিনবগী মহুৎতা করি তৌবা য়াবগে হায়বসি খনবা তাই।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা এম যুগী ফেকল্টি ডা. চিংলেন মাইস্নামনা হায়খি, অসাম লৈঙাক্না ইকনমিগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকই। মণিপুরগীদি হ্বাইট পেপর পুথোকপা লৈতে। ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না লৈঙাক্কীদমক নন-প্লান, রেভিন্যু কেপনচিংবা কয়া থম্মী। ফাইনান্সকী মতাংদা ষ্টেট অসিদা ট্রান্সপরেন্সি লৈতবগী খুদম উবা ফংই। হ্বাইট পেপর পুথোকপা ঙমদবসি মদুগী খুদম অমনি। প্লান্নিং কম্মিসন মুথৎলগা নিতি আয়োগ লাকখ্রে। তরেৎশুবা পে খক্তা নত্তনা মণিপুরদা হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট কয়া অমা লোইশিন্দবগী অৱাবা লৈরে। প্রোজেক্টকীদমক হাপ্লিবা ময়াম অমা তোলোপ মতম শাংনা পীদবনা অৱাবা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. আর কে সনাজাওবনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা হায়খি, তোলোপ পীবা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক্কী ফেল্যুরনি। এদমিনিষ্ট্রেসন অসিদা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংসু গভর্ণান্স হৈত্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা জে এ সীগী সেক্রেটরি লাইতোঞ্জম বিকেননা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০৬ তা বেজ ইয়র ওইরগা শেম্বা খুৎশুমল অদু হৌজিক ফংলি। পে রিভাইস তৌফম থোকপা কয়া তৌদ্রি। অহানবা সেন্ট্রল পে মণিপুরদা চৎনহল্লম্বসি আর কে জয়চন্দ্রনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লৈঙাক্কী গো টু স্কুল মিসন কৌবা লৈতে : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা গো টু স্কুল মিসন কৌবা অমত্তা লৈতে। লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফীভম ফগৎহন্নবা পান্দমদা হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা স্কুল ফগৎহনসি হায়বা প্রোজেক্ট অমদি হৌদোকখিবা লৈ। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৬০ গী মনুংদগী স্কুল অমমম লৌখৎলগা স্কুলগী অৱাৎ-অপা মেনখৎনবা থৌরাং লৌখৎতুনা এঞ্জিনিয়র থাদুনা স্কুলশিং য়েংশিনবা হৌবদা ঙাইরি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ন্যু সেক্রেটরিএটতা লৈবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী চেম্বরদা পাউমীশিংগা উনখিবদা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হন্দক নোংমা নীনিগী মনুংদা স্কুল খরদা মহৈরোয় খরনা য়েংশিনবগী খোঙচৎ চৎলিবসি য়াম্না ফৈ। অদুবু লৈঙাক্কী মখাদা গো টু স্কুল মিসন ফেল ওইরে হায়বা ৱাফম অসিদি পোক্লিবা অঙাং হান্না হাৎতোকপা ফত্তে। গো টু স্কুল মিসন হায়বসু লৈতে। লৈঙাক্না পায়খৎলিবা পাইলোট প্রোজেক্ট স্কুল ফগৎহনসি হায়বা পান্দমদা মণিপুরগী স্কুল ২০০০ রোম লৈবা অসিগী মনুংদা স্কুল ৬০ খক অসি খনগৎলগা স্কুলশিং অদুগী অৱাৎ-অপা হান্না মেনখৎনবা হোৎনবনি। মরুওইনা স্কুলগী শঙ, টৌইলেট, ফেন্সিং নাতে চাদবা, চোক দষ্টর লৈতবা অদু হান্না মেনশিন্নবা হোৎনবনি অমদি নাতে চাদবা স্কুল বিল্ডিংগী ফিভম য়েংশিন্দুনা শেমগৎনবা থৌরাং হৌবদা ঙাইরি।

খনগৎলবা স্কুলশিং অসিদা ওজা ২/২ হাপ্পুনা প্রাইমারী লেভেলদগী হৌনা অৱাৎপা হাপচিন্নবা থৌরাং তৌবদা ঙাইরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

SALAI HOLDINGS PVT. LTD.

Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur-795001, India

RECRUITMENT NOTICE

SALAI Financial Services (SAFINS), a unit of SALAI Holdings Pvt. Ltd. with its office at Sagolband Tera Loukrakpam Leikai is inviting job applications from qualified persons to serve under the following positions:

| Sl. | Unit & Post(s) | Qualification | Requirement | Salary ₹ |
|---|---|---|---|---|
| 1 | M.R.O. (11 Nos.) i. Nillakuthi - 4 ii. Yairipok - 4 iii. Ningthoukhong & Nambol - 3 | Graduate in any stream | 1. Min. 2 yrs. experience in Microfinance - field work 2. Aged between 20 to 35yrs | 1.20 - 1.44 Lpa |

Application (plain paper/neatly typed) with resume, 2 passport photos and all supporting documents should be submitted on or before 22nd May 2019 at HR Department: Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West. Interview date will be notified personally.

Sd/
Secretary, Human Resources Department
SALAI Holdings Pvt. Ltd.

HL-P/4274/18

# এলিগেসন কয়া তৌরকখিবা লাইবক থীবনি : সোসাইটি

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):

মেগা মণিপুর সোসাইটিগী মথক্তা তোপ দুসারা লেন্দ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী মায়কৈদগী এলিগেসন কয়া তৌরকখিবা অদু লাইবক থীবনি হায়না সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু দিনেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মেগা মণিপুর সোসাইটিদা লম এলোটমেন্টকা মরী লৈননা কম্মিটি অদুগী কনভিনরনা এপ্রিল থাদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা সোসাইটি অসিদা এলিগেসন কয়া তৌরকখিবা অসি লাইবক থীবনি। মেগা মণিপুর সোসাইটি অসি প্রোফিটকীদমক লৈবা ওর্গনাইজেসন নত্তে। লমদম অসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্নবা হোৎননবগীদমক শেমখিবা ওর্গনাইজেসননি। মসি লন্নাই মীওই অমনা মপু ওইবা ওর্গনাইজেসনসু নত্তে। মণিপুর সোসাইটি রেজিষ্ট্রেসন এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা ওর্গনাইজেসননি। মেটর অসি লিগেল প্রোভিজন মখাদা সেট্টল তৌনবা হিরমদা তরাম্না ওকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

SALAI HOLDINGS PVT. LTD.

Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur-795001, India

RECRUITMENT NOTICE

SALAI Holdings Pvt. Ltd. requires the service of qualified person for SMART Universal Academy, Sekmaijin Khunou, Kakching District to fill the following positions :

| Sl. No. | Name of Post (s) | No. of Post | Eligibility | Experience | Pay Scale INR(Gross) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Lecturer - Maths | 2 | M.Sc. in Mathematics with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 2. | Lecturer - Physics | 2 | M.Sc. in Physics with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 3. | Lecturer - Chemistry | 2 | M.Sc. in Chemistry with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 4. | Lecturer - Botany | 1 | M.Sc. in Botany with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 5. | Lecturer - Zoology | 1 | M.Sc. in Zoology with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 6. | Lecturer - Home Science | 2 | M.Sc. in Home Science with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 7. | Lecturer - English | 2 | M.A. in English with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 8. | Lecturer - Manipuri (M.M) | 2 | M.A. in Manipuri (M.M.) with B.Ed/M.Ed | 3 - 5 years | 1.8 - 2.6 Lpa |
| 9 | Librarian | 1 | B.Lib.Sc./M.Lib.Sc. | 2 - 3 years | 1.2 - 1.4 Lpa |
| 10 | Lab. Attendant | 4 | B.Sc. (Royal Sc.). B.Sc. (Biochemistry) | Min. 1 Year Min. 1 Year | 1.2 - 1.4 Lpa |

Terms : Six (6) months probation period.

Transportation/Cab Service will be provided for day scholar staffs.

Application (plain paper/neatly typed) with resume, two passport photos and all supporting documents should be submitted on or before 22nd May 2019, at HRD Office: Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West. Interview date will be notified personally.

Sd/-
Secretary, Human Resources Department
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.

HL-P/4140/16,18,19




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৫।২০১৯ ইং, থাংজ, কালেনগী থানিল।

**মেষ :** মরুপ-মপাংনা নরলদা মীতাবা, ইমুং-মনুংদা ৱাখল মান্নবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবা নুমীৎনি। অনৌবা লৈফম অমদি মরুপ ফংবা লৈগনি। নোল্লুক্না চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নীংবা মপা চাগনি, ওইজ-ওইথক ফংগনি, লৈফম ফংবগী নুংঙাইবা অমদি ৱাখল থোকপা লৈগনি। অশাওবনা নরলদা কাইনগনি অমদি কোক শাদনবা ইচং থৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : মীচং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** লাইবক ফবা ৱাৎপনা নরল কাইথোক্লগা থবক্তা থাদগে খনগনু অমদি য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি অদুনা নীংথিনা থিজিল্লগা খূৎ থাবা ফগনি। মরুপ-মপাং লোইনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : খাঙবা কনবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**কর্কট :** ৱায়েলগী থবক্তা থোইনা মাই পাকচবা, ইমুংগী ৱা তাবনা অনীংবা পাংবা ঙম্বা অমদি ৱানোম-থৌনোম য়াম্না কান্নবা নুমীৎনি। শকখঙদবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱা য়াম্না ঙাঙথোক্নু-মাঙজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**সিংহ :** লাইবক ফগনি, মীঙোন্দা লৈখিবা শেল-থুম থৌজিনবা কান্নগনি অমদি অফবা লৈফম ফংনবা হোৎনবসু মাই পাক্কনি। থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অনা-অয়েক লৈরম্লসু কোকচগনি, থবক-ইনখাং পন্দুনা লৈরুরসু লায়না পাংগনি অমদি ইকায়খুম্নবা ফংগদবা নুমীৎনি। তুংগী পোরমসু য়াৎপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**তুলা :** ৱাখল থোকপা, মীচং হেনগৎপা অমদি থবক তৌবদা খূৎলোইবা নুমীৎনি। মরুপ-মপাং মরাং কাইনা লৈগনি। অদুবু অশোয়বা থিরগা নথক থোংবনা চৈবিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** চীন য়াঙদবা, মীৱা লৌদবা অমদি অহৈ-অশিং শাদবনা য়াম্না য়াইফগদবা নুমীৎনি। থবক অনৌবা পাংগনু, অরিবদি থোইনা কায়রোই। গাড়ী/হুরানবনা তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী : য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**ধনু :** ৱাখল নুংঙাইবা, লাইবকসু ফবা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা মাই পাকচবা নুমীৎনি। নথক থোংবনা য়াম্না চানগনি। অদুবু অনম তাল্লদি লন ময়েং তাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : মাই পাকচবা লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মকর :** যুমগী ৱা তাবনা থবক লাইনা পাংগদবা ঙসিসু লৈ, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি মরুপ-মপাংতা নত্তনা শেল ফংবৈ নুংঙাই। মরম চাদনা চাদিং তৌবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** হোৎনবা কনবা অমদি খাঙবা কনবনা কান্নবা ফংউ হায়বা নুমীৎনি। নতোমতগী ৱাখল্লোন্না চৎলদি শেল চৎপা হেনগনি অদুনা নথক থোংবগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী : থিজিনবা লেপকনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**মিন :** নক্লবা মীগী মতেংনা নুংঙাইবা ফংগনি, অনা-অয়েক লৈরম্লসু কোকচরনি অমদি মীকোক থোংবা ঙম্বগী থৌনা লৈ অদুনা অফবা থবক্তা নীংহন্নবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।